# লিবিয়া মিলিটরি ইন্টিলিজেন্স চীফ কার ব্লাষ্টতা শিখ্রে

বেনঘাজি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি):

নোংপোক থংবা লিবিয়াগী লিবিয়ান নেসনেল আর্মিগী মিলিটরি ইন্টিলিজেন্স চিপ অদু বেনঘাজি গী হৱানি এরিয়াদা মহাক্কী যূমগী মপান্দা মহাক্কী কার মনুংদা এক্সপ্লোসিব দিভাইজ অমা পোকখায়রকখিবদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শিখ্রে হায়না সেক্যুরিটি লিখুন অনিনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং ফোঙদোক্তনা ৱা ঙাংখিবা লিখুনশিং অদুনা নুমিদাংৱাইরমদা পোকখায়খিবা অদুদা ব্রিগেদিয়ার ফৌজি মানসুরি শিখিবনি হায়খি।

এটেক অদু কনানা তৌবনো নৎত্রগা দিভাইজ অদু করম্বা মখলগীনো হায়বা মরিক চুম্বা পীদনা মখোয়না হায়খি।



মীহাৎ অসিনা ২০২০ সিজফয়ার অমনা অচৌবা ৱারফিয়ার অমা লেপহনখ্রবসু য়েং থিনবা এদমিনিষ্ট্রেসনশিং অমসুং আর্ম গ্রুপশিংনা শক্তি পায়নরিবা লিবিয়াদা মখা তানা ওইরিবা সেক্যুরিটিগী শীংনবশিং অদু উৎলি।

মতম শাংনা পাল্লমখিবা ওটোক্রেট মুৱাম্মর গদ্দাফিগী লৈঙাক থুগাইখিবা ২০১১ নেটোনা শৌগৎপা মীয়ামগী ঈহৌ অমগী মতুং ২০১৪দা লিবিয়া য়েংথিনবা নোংপোক থংবা অমসুং নোং চুপ থংবা ফেক্সনশিং ওইনা মচেৎ তাখি।

মিলিটরি কম্মান্দের খালিফা হফতারনা লুচিংবা লিবিয়ান নেসনেল আর্মিনা নোংপোক থংবা অমসুং খা থংবা অয়াম্বা শরুক পায়। মসিনা বেনঘাজিদা লৈবা ওথোরিটিজগা পুল্লি। অদুগা অমরোমদা কোনুং ত্রিপোলিদা লৈবা ইন্টরনেসনেলনা রিকগনাইজ তৌবা গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনেল যুনিটি নোংচুপকী অয়াম্বা পায়।

# হৌথিজ এটেকতা ৩ শিখ্রে

রিয়াধ, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি):

য়েমেনগী ইরানগা খূৎশন্নবা হৌথিজনা বাব এল-মানদেব ষ্ট্রেটতা অপীকপা কারগো জহাজ অমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এটেক তৌরকখিবদা ক্রু মেম্বর ৩ শিখ্রে হায়না য়েমেনি কোষ্ট গার্দ লিখুন অনি অমসুং গভর্ণমেন্টকী মিলিটরি ওফিসার অনিনা ফোঙদোকখ্রে।

মসি চুম্বা তারবদি ফেব্রুৱারিগী অরোইবদা যু এস অমসুং ইজরেলনা ইরানদা লান্দাবদগী হৌরকখিবা মিদ্দল ইষ্ট কনফ্লীক মতুংদা জহাজ অমদা হৌথিগী এটেক অমদা তাঞ্জানিয়া-ফ্লেগ টিনহামাহাদা শিখিবশিং অসিনা অহানবা মী শিবা ওইরগনি।

সাউদি অরাবিয়ানা য়েমেন লাঙ্গোয় চন্নবা হোৎনরে হায়বগী পাউখুমদা হৌথিজনা হৌখিবা থাদা রেদ সিদা সাউদি অরাবিয়াগী মায়োক্তা নেভেল ব্লোকেদ অমা লাউথোকখি।

ওমনদগী জিবৌতি ফাওদুনা হোল্লকখিবা হি অদুদা পাকিষ্টানি অনি অমসুং ইন্দোনেসিয়ান ১ শিখ্রে হায়না য়েমেনি লিখুনশিংনা হায়খিবা এটেক অদু হৌথিজনা হৌজিক ফাওবা মখোয়ননি হায়দ্রি।

# হান্নগী সিরিয়ান প্রসিদেন্ট শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই তাখ্রে

দামস্কস, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি): হান্নগী সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদ লৈবাক অদুদা চহী ১৪গী কনফ্লীক মনুংদা ৱার ক্রাইমস অমসুং ক্রাইমস এগেন্স হ্যুমেনিটিগা মরীলৈনবা মরালশিংগী মতাংদা মফমদুগী কোর্ট অমনা মশা য়াওদনা শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই তাখ্রে।

কনফ্লীক অদুদা মীওই ৫০০,০০০ রোম হাৎখিবগী হিংশাগী কেস অমদা হৌজিক সিরিয়াগী মপান্দা লৈরিবা অসাদ কনভিক্সন পীখি। হান্নগী সেনিয়ার সিরিয়ান মিলিটরি কম্মান্দর ওইবা মহাক্কী মনাওনুপা মহের অল-অসাদ, হান্নগী সিরিয়ান আর্মি ব্রিগেদিয়ার জেনরেল, অসাদকী মমাগী মবুং মৌপ্পনা পোকপা অতেফ নজিবসু কেস অদুদা শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই তাখ্রে।

# যুক্রেনগী জাপোরিঝিয়াদা রসিয়ান এটেকতা ৫ শিখ্রে

ক্যিব, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি):

যুক্রেনগী খানোংপোক থংবা জাপোরিঝিয়াদা রসিয়াগী এটেক অমদা মীওই ৫ শিখ্রে অমসুং ২০ শোকখ্রে হায়না রিজনেল ওথোরিটিজনা লৈবাকপোক্পা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসিয়েলশিংনা বালিষ্টিক মিসাইল এটেক অমনি হায়খিবা অদুদা ক্যিবতা পোকখায়বগী থৌদোকশিং থোকখি।

মোস্কোনা নোর্থ কোরিয়াগী শৌগৎপগা লোয়নননা মখা তানা মখোয়গী চহী ৪ হেল্লবা লান কনখৎতুনা চয়োল খরসিদা যুক্রেনগী সিটিশিংগী মথক্তা লোং-রেঞ্জ মিসাইলশিংগী এটেক হেনগৎলকখি।

মিসাইলশিং পাইশিল্লক্লে হায়না ওথোরিটিজনা ৱার্নিং তৌখিবা অহিং নোংয়াই হেক মতুং ক্যিবতা এ এফ পি জর্নেলিষ্টশিংনা পোকখায়বগী মখোল কয়ামরুম হৌনা তাখি।

মোস্কোনা চয়োল খরসিদা বালিষ্টিক মিসাইল এটেকশিং হেনগৎলকখি। বালিষ্টিক মিসাইল এটেকশিং অসি যু এস পেট্রিওটশিং য়াওনা অকক্লবা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমসখক্তনা ইন্টরসেপ তৌবা ঙম্মি।

## Office of The Imphal Municipal Corporation

### ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ

তাং ১১-০৪-২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Ngari Dukan Maning, Shed No. 1, Seat No.11 Licence No. 11 শ্রীমতি Minajao (Minatjan) Bibi W/o Salam of Lilongগী মিংদা পানবা Women Vendor/ Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Sana C/o Faiyar of Khurai Heigru Makhong Khomidok Vendor/ Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/ Women Vendor গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌজরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

SL/B(Sush)/12

Sd/-
Municipal Commissioner
Revenue
Imphal Municipal Corporation

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR KONTHOUJAM, IMPHAL WEST

Ref. : Mutation Case No. 237/SDC/IW(K) of 11/08/2026

Aheibam Gambhini Leima W/O Rabi Meitei of Khaidem Mayai Leikai. - Petitioner

-Vs-

(Late) Mayengbam Nodiya Singh S/O (L) Tomal Singh Khaidam. - O.P.Party

### ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Date 11/08/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার M. Nodiya Singh, পীং মৃ: Tomal Singh, সাং Khaidam গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 81-Moidangpok গী অনৌবা পট্টা নং 448, দাগ নং 2190 অমসুং এরিয়ানা 0.78 acre চাওবা Phourel লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজগনি।

SL/Jeena/12

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR KONTHOUJAM, IMPHAL WEST

Ref. : Mutation Case No. 236/SDC/IW(K) of 11/08/2026

Laishram Tarunranjan Singh S/O (L) Laishram Nabadwip Singh of Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai. - Petitioner

-Vs-

(Late) Laishram Nabadwip Singh S/O (L) Tomal Singh of Keishampat Thokchom Leikai. - O.P.Party

### ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Date 11/08/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার Laishram Nabadwip Singh, পীং মৃ: Tomal Singh, সাং Keishampat Thokchom Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 95-Shajirok গী অনৌবা পট্টা নং 89, দাগ নং 228 অমসুং এরিয়ানা 0.84 acre চাওবা Phourel লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজগনি।

SL/Jeena/12

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur

## Office of The Imphal Municipal Corporation

### ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ

তাং ১১-০৮-২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vender No. 3, New Market, Shed No. 14, Seat No. 89, Licence No. 710 শ্রীমতি R.K. (O) Tampakleima Devi, W/O R.K. Sanajaoba Singh of Wahengbam Leikai Lairembe Makha Sagolband গী মিংদা পানবা Women Vendor/Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Phurailatpam Pritam Devi W/O R.K. Surjit Singh of Wahengbam Leikai, Vendor /Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/ Women Vender গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

SL/Suse/12

Sd/-
Asstt Municipal Commissioner
(Revenue)
Imphal Municipal Corporation

## Office of The Imphal Municipal Corporation

### ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ

তাং ১১-০৮-২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vender No. 3, New Market, Shed No. 6, Seat No. ---, Licence No. 1179 শ্রীমতি Pukhrambam Rashitombi Devi W/O Yumkhaibam Guneshwor of Meitram Awang গী মিংদা পানবা Women Vendor/Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Oinam Rojita Devi, W/O Kshetrimayum Dolendro Singh of Singjamei Okram Leikai, Vendor /Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/ Women Vender গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

SL/Suse/12

Sd/-
Asstt Municipal Commissioner
(Revenue)
Imphal Municipal Corporation

## Office of The Imphal Municipal Corporation

### ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ

তাং ১১-০৪-২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Ngari Dukan Maning, Shed No. 1, Seat No.13, Licence No. 13 শ্রীমতি Meharun W/o Abdul Salam of Sangaiyumpham Puleipokpiগী মিংদা পানবা Women Vendor/ Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Saikhom Romabati Devi D/o Telem Chaobhal Singh of Nilakuthi Awang Leikai Vendor/ Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/ Women Vendor গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌজরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

SL/B(Sush)/12

Sd/-
Municipal Commissioner
Revenue
Imphal Municipal Corporation

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 84/SDC/IW(C)-II of 2026 dt. 02/03/2026

1) Rajkumari Kalyani Devi W/O Late Akoijam Dhirendro @ Dhirendrajit Singh of Singjamei Oinam Thingel.
2) Akoijam Roji Devi W/O Late Akojam Vigen Singh of Singjamei Oinam Thingel
3) Akhijam Ronendrojit Singh S/O Late Akoijam Dhirendrajit Singh of Singjamei Oinam Thingel. -Petitioner(s)

-Vs-

(Late) Akojam Dhirendro @ Dhirendrajit Singh S/O Late Akoijam Chonjon Singh Singjamei Oinam Thingel -O.P. (s)

### ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Lamphel, the 11th August, 2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) Akojam Dhirendro @ Dhirendrajit Singh S/O Late Akoijam Chonjon Singh Singjamei Oinam Thingel গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 59-Oinam Thingel, অরিবা পাট্টা নম্বর 4(Old) অনৌবা পাট্টা নম্বর 200(New) দাগ নং. 362 অমসুং এরিয়া 0.075000 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিগী Petitioner শিংগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখরগনি।

SL/Sush/12

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

## Office of The Imphal Municipal Corporation

### ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ

তাং ১১-০৮-২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vender No. 3, New Market, Shed No. 13, Seat No. 94, Licence No. 641 শ্রীমতি Khumukcham (O) Kamala Devi, W/O Kh. Modhuchandra Singh of Wangkhei Ningthempukhri গী মিংদা পানবা Women Vendor/Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Soibam Romabati Devi, C/O Wangkheimayum Damudor Singh of Yurembam Awang Leikai, Vendor /Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/ Women Vender গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

SL/Suse/12

Sd/-
Asstt Municipal Commissioner
(Revenue)
Imphal Municipal Corporation

## Office of The Imphal Municipal Corporation

### ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ

তাং ১১-০৮-২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vender No. 3, New Market, Shed No. 3, Seat No. 77, Licence No. 1061 শ্রীমতি Kangabam (N) Ahanbi D/O (L) K. Kanhai Singh of Uripaok Ahanthem Leikai গী মিংদা পানবা Women Vendor/Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Khoisnam Indira Devi, W/O Okram Ibotombi Singh of Khagempalli Pankha, Vendor /Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/ Women Vender গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

SL/Suse/12

Sd/-
Asstt Municipal Commissioner
(Revenue)
Imphal Municipal Corporation

## Office of The Imphal Municipal Corporation

### ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ

তাং ১১-০৮-২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vender No. 3, New Market, Shed No. 5, Seat No. 17, Licence No. 381 শ্রীমতি Thoudam (N) Satyabati Devi, W/O Th. Bidhu Singh of Mayai Koibi গী মিংদা পানবা Women Vendor/ Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Anushia Ningthoujam D/O Ningthoujam Sanahanba Singh of Keishampat Mutum Leikai, Vendor / Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/ Women Vender গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

SL/Suse/12

Sd/-
Asstt Municipal Commissioner
(Revenue)
Imphal Municipal Corporation

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Keirao Bitra, Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 177/SDC/KBT of 2026,dt 10/08/2026*

1. Elangbam Paka Singh S/o (L) Koroba Singh of Bamon Kampu Mayai Leikai.
2. Elangbam Komol Singh S/o (L) do-of Bamon Kampu Khabam.
3. Elangbam Nilachand Singh S/o (L) do-of Bamon Kampu Mayai Leikai

***- Petitioners***

*-Versus-*

Late Elangbam Koroba Singh S/o (L) Angangton Singh of Bamon Kampu.

***- Opposite Party***

### ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

*Keirao Bitra, the .10/08/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি :- Imphal East Keirao Bitra Circle গী Patta No.22 (অরিবা) 34/312 (অনৌবা) গী Village No.46-Bamon Kampu, C.S. Dag No 231/386 an area of .17 an acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar Elangbam Koroba Singhi অসি মৃত্তু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar শিংগী মচানুপানা লম অসি মমিং ওনবিরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Keirao Bitra Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

SL/B(Jeena)/12

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
**Keirao Bitra**, Imphal East, Manipur

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR KONTHOUJAM, IMPHAL WEST

Ref. : Mutation Case No. 233/SDC/IW(K) of 11/08/2026

Soraisam Premjit Singh S/O (L) Tolapishak Singh of Sagoltongba Awang Leikai. - Petitioner

-Vs-

(Late) Soraisam Jati Devi W/O (L) Tolapishak Singh of Sagoltongba Awang Leikai. - O.P.Party

### ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Date 11/08/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার S. Jati Devi, পীং মৃ: Tolapishak Singh, সাং Sagoltongba Awang Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 85-Lansonbi গী অনৌবা পট্টা নং 259, দাগ নং 39 অমসুং এরিয়ানা 0.22 acre চাওবা Anganphou ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজগনি।

SL/Jeena/12

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur

## OFFICE OF THE WANGJING LAMDING MUNICIPAL COUNCIL P.O. WANGJING, MANIPUR

### ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

*10th August, 2026*

**No. 1/2/WLMC/2018/REV/26/2Pt-I:NOTICE** অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Wangjing Lamding Bazar গী Market Complex কী Ground Floor & First Floor অমসুং Wangjing Bazar, Heirok Lamkhai দা লৈরিবা Multi Utility Market complex (MUMC) কী Women Vendor Shed শিংদা Vendor Lecense পাইদুনা ফমবিরিবশিং, মখাদা মমিং ওইনা পীজরিবশিংনা Vendor Seat Transfer তৌবিনবা অমসুং মমিং-মথা ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারেক্লে।

1) Vendor License No. H-075, Ground Floor/Seat No. 75 (Seventy Five) (Hotel) অসি Leishangthem Jandho Devi w/o (L) Leishangthem Sidam Singh, Wangjing Bazar, P.O. Wangjing, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Leishangthem Bimola Devi w/o Leishangthem Bishwojit Singh, Wangjing Bazar, P.O. Wangjing, Manipur দা লৈবগী মিংদা ওনবিরো হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

2) Vendor License No. C/R-127, Ground Floor/ Seat No. 127 (One Hundred Twenty Seven) (Cosmetics & Ring Chain) অসি Paonam Binodini Devi w/o (L) Paonam Jugindro Singh, Wangjing Wangkhei, P.O Wangjing, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Philem Shantibala Devi d/o Philem Mangi Singh, Moirang Ward No. 11, P.O. Moirang, Manipur দা লৈবগী মিংদা ওনবিরো হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

3) Vendor License No. MUMC-158, Ground Floor/ Seat No. 158 (One Hundred Fifty Eight) (Vegetables) অসি Sinam Sharmila Devi w/o Sinam Tomcha Singh, Bishnupur Ward No. 7, P.O. Bishnupur, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Laishram Ibeyaima Devi w/o Laishram Ibomcha Singh, Lamding Laikon Maning. P.O Wangjing, Manipur দা লৈবগী মিংদা ওনবিরো হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

4) Vendor License No. S/F-061, Ground Floor/Seat No. 61 (Sixty One) (Fruits & Sweets) অসি Ngangom Bino Devi w/o (L) Ngangom Bijoy Singh, Lamding Ngangom Leikai, P.O. Wangjing, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Elangbam Mema Devi w/o Ngangom Bishamitra Singh, Lamding Ngangom Leikai, P.O. Wangjing Manipur দা লৈবগী মিংদা ওনবিরো হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

5) Vendor License No. FF/RG-054, First Floor/Seat No. 54 (Fifty Four) (Readymade Garments) অসি Pukhrambam Sundari Devi w/o Pukhrambam Sobhachandra Singh, Lamding Elangbam Leikai, P.O. Wangjing, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Moirangthem Bala Devi w/o Laishram Shanjit Singh, Lamding Laishram Leikai, P.O. Wangjing, Manipur দা লৈবিগী মিংদা ওনবিরো হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে

6) Vendor License No. FF/RC-002, First Floor/Seat No. 2 (Two) (Ring Chain & Cosmetics) অসিLaikhuram Ganga Devi w/o Laikhuram Bimol Singh, Wangjing Wangkhei, P.O. Wangjing, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Sagolshem Ongbi Gangarani Devi w/o Sagolshem Dipak Singh, Wangjing Sorokhaibam Leikai, P.O. Wangjing, Manipur দা লৈবগী মিংদা ওনবিরো হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে ।

মরম অদুনা Vendor License শিং অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা আপতি (Objection) তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ নিগী মনুং দা অইবা চেনা আপতি (Objection) তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই অমদি Vendor License অসিগী মিং ওনখ্রগনি।

SL/B(Mei)/12

Sd/-
**(Hawaibam Pradeep Kumar Singh)**
Executive Officer
Wangjing Lamding Municipal Council

## Office of The Imphal Municipal Corporation

### ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ

তাং ১১-০৪-২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Singjamei Bazar, Shed No. 6 Seat No..., Licence No. 345 শ্রীমতি Arambam Sanajaobi Devi W/o Arambam Palakhamba Singh of Thongju Part-II গী মিংদা পানবা Women Vendor No অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Chanam Thaba Devi W/o Chanam Guna Singh of Ningomthong Kitna Panung Vendor/ Licence Holder গী গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licenc Holder/ Women Vendor গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌজরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

SL/B(Sush)/12

Sd/-
Municipal Commissioner
Revenue
Imphal Municipal Corporation

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR KONTHOUJAM, IMPHAL WEST

Ref. : Mutation Case No. 238/SDC/IW(K) of 11/08/2026

1) Aheibam Gambhini Leima W/O Rabi Meitei of Khaidem Mayai Leikai
2) Laishangbam Sanahanbi Devi W/O Nabachandra Singh of Konthoujam Makha Leikai.
} Dage No 311 0.34 acre

3) Hawaibam Memthoi Devi W/O Rameshor Singh
4) Konthoujam Kunjarani Devi W/O Kanta Singh of Konthoujam Maning Leikai.
} Dage No 355 0.70992 acre

- Petitioners

-Vs-

(Late) Mayengbam Nodiya Singh S/O (L) Chaoba Singh of Khaidam. - O.P.Party

### ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Date 11/08/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার M. Nodiya Singh, পীং মৃ: Chaoba Singh, সাং Khaidam গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নং 83-Khaidem গী অনৌবা পট্টা নং 216, দাগ নং 311& 355 অমসুং এরিয়ানা 0.34 & 0.70992 acre চাওবা Phourel লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমতগী আপ্তি লৈত্রে হাইনা লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজগনি।

SL/Jeena/12

Sd/-
Sub-Deputy Collector Konthoujam
Imphal West, Manipur

## OFFICE OF THE WANGJING LAMDING MUNICIPAL COUNCIL P.O. WANGJING, MANIPUR

### ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

*10th August, 2026*

**No.9/2/WLMC/2017/26/TRF-02: NOTICE** অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Wangjing Bazar গী Wangjing Lamding Market Complex কী First Floor অমসুং Wangjing Bazar, Heirok Lamkhai দা লৈরিবা UJB Municipal Shopping Complex অমদি Multi Utility Market Complex (MUMC) গী Municipal Shopশিং অসিগী Leaseপাইদুনা ফমবিরিবশিং, মখাদা মমিং ওইনা পঞ্জরিবশিংনা Shop Lease Transfer তৌবিনবা অমসুং মমিং-মথা ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারেক্লে।

1. Shop No. MUMC-07, Ground Floor, Multi Utility Market Complex অসি Tekcham Langjing Chanu d/o Tonjao Meidingu, Wangjing Tekcham Leikai, P.O. Wangjing, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Asem Gangarani Devi w/o Keisham Rishikanta Singh, Wangjing Sorokhaibam Leikai, P.O. Wangjing. Manipur দা লৈবগী মিংদা ওনবিরো হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

2. Shop No. A-21, First Floor, Wangjing Lamding Market Complex অসি Okram Chanbi Devi w/o Okram Chaoba Singh, Sapam Mayai Leikai, P.O. Wangjing, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Sagolsem Nanao Singh s/o Modhu Singh, Wangjing Sorokhaibam Leikai, P.O. Wangjing, Manipur দা লৈবগী মিংদা ওনবিরে হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

3. Shop No. UJB-02, Ground Floor, UJB Municipal Market Complex অসি Heikrujam Ongbi Sangita Devi w/o Heikrujam Gourango Singh, Wangjing Sorokhaibam Leikai, P.O. Wangjing, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Phijam Gourakesho Singh s/o Phijam Lasmon Singh, Kairembikhok Mamang Leikai, P.O. Wangjing. Manipur দা লৈবগী মিংদা ওনবিরো হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

4. Shop No. MUMC-05, Ground Floor, Multi Utility Market Complex অসি Tekcham Ongbi Mubi Devi w/o Tekcham Chaoba Singh, Wangjing Tekcham Leikai, P.O. Wangjing, Manipur গী মিংদা লৈরিবা অসি Sony Yumnam w/o Khundrakpam Sudarsh Singh, Lamding Elangbam Leikai, P.O. Wangjing Manipur লৈবিগী মিংদা ওনবিরো হায়দুনা Witness অনিগা লোয়নননা অয়াবা পীদুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Shop Lease শিং অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা অপতি (Objection) তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি (Objection) তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপাতি লৌজরোই অমদি Shop Lease অসিগী মিং ওনখ্রগনি।

SL/B(Mei)/12

Sd/-
**(Hawaibam Pradeep Kumar Singh)**
Executive Officer
Wangjing Lamding Municipal Council

## ক্রোসৱার্দ ১১১৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| U | S | A | F | ■ | M | E | A | N | T | ■ | D | R | A | W |
| R | I | L | L | ■ | A | R | D | O | R | ■ | E | A | C | H |
| B | L | O | O | D | D | R | I | V | E | ■ | L | I | M | E |
| A | V | E | ■ | R | E | S | T | ■ | S | W | E | D | E | N |
| N | A | S | S | A | U | ■ | ■ | ■ | P | A | T | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | C | Y | P | R | U | S | A | V | E | N | U | E |
| L | U | C | A | S | ■ | A | N | T | S | Y | ■ | E | N | D |
| E | G | A | D | ■ | F | I | L | E | S | ■ | M | O | D | E |
| A | L | L | ■ | E | R | N | I | E | ■ | R | U | N | O | N |
| P | I | C | A | B | O | S | T | R | E | E | T | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | C | O | N | ■ | ■ | ■ | N | A | T | I | V | E |
| A | M | O | U | N | T | ■ | A | C | E | D | ■ | M | A | P |
| B | A | L | M | ■ | M | E | M | O | R | Y | L | A | N | E |
| E | R | I | E | ■ | A | G | I | N | G | ■ | A | G | E | E |
| L | E | O | N | ■ | N | O | S | E | Y | ■ | T | E | S | S |

# বিষ্ণুপুরনা ৪৩শুবা এম এস বি এ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী দি এম য়ু কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর হোলদা চথরিবা ৪৩শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী টাইটল বিষ্ণুপুরনা লৌখ্রে।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী টিম ইভেন্টদা বিষ্ণুপুরনা ইম্ফাল ৱেষ্টবু ৩-২দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি। ব্রুমেন'স টিমগী টাইতলনা ইম্ফাল ৱেষ্টনা লৌখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা বিষ্ণুপুরবু ৩-০দা মায়থিবা পীখি।

নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টিম টাইতলসু ইম্ফাল ৱেষ্টনা লৌদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা দোমিনেট তৌবা ঙমখ্রে।

নুপামচাগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা বিষ্ণুপুরবু ২-১দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়নননা নুপীমচাগী ফাইনেলদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা ইম্ফাল ইষ্টবু চপ মান্নবা স্কোরদা ২-১দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা চথরিবা ৭০শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী নুপীমচা অন্দর-১৫গী সিঙ্গলসতা কমাচুন কামৈ, শরুংবম অর্চনা, ক্ষেত্রিময়ুম মোনালিয়া, থিংবাইজম বেবিনা, জিয়া সনবম অমসুং মোইরাংথেম জেনেলিয়া ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ১৬গী অহানবা মেটচতা কমাচুং কামৈনা থোকচোম উর্বসিবু ১৫-১১, ১২-১৫, ১৫-১০, শরুংবম অর্চনানা খাইদেম পাকপিবু ১৫-৪, ১৫-৭, ক্ষেত্রিময়ুম মোনালিয়ানা নাইসা থিয়ামবু ১৫-১০, ১৫-৯, থিংবাইজম বেবিনানা সনাতোম্বী চনু থৌনাওজমবু ১৫-৪, ১৫-৩, জিয়া সনবমনা ক্ষেত্রিময়ুম তম্ফাসনাবু ১৫-৩, ১৫-১২ অমসুং মোইরাংথেম জেনেলিয়ানা অসিমাবু গেম অহুম শান্নরবা মতুং ১৫-৯, ১৩-১৫, ১৫-৭দা মায়থিবা পীদুনা কেটাগোরি অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নুপামচা চহী ১১ মখাগী সিঙ্গলসতা রিয়োসঙানবা সৌবাম অমসুং হর্কুলিস লাইশ্রম ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচতা রিয়োসঙানবা সৌবামনা রিংচিথৈ মুইনাওবু ১৫-৬, ১৫-২ অমসুং হার্কুলিস লাইশয়মনা খুন্দ্রাকপম নর্জিৎপু ১৫-৯, ১৫-১২দা মায়থিবা পীখি।

রাউন্দ ওফ ১৬গী অতোপ্পা মেটচশিংদা হেরিক্সেস খাঙেম্বম অমসুং পলেপ্পা সৌবাম, হোর্সিথৈ মুইনাও অমসুং তায়েঞ্জম সঞ্জু, এলিষ্টর লাইশ্রম অমসুং থোকচোম সাইয়োনবা মৈতৈ, রোনিন থোকচোম অমসুং দেলরিক পুখ্রম্বম, ক্ষেত্রিময়ুম লময়ানবা অমসুং এরিক শরাংথেম অমদি খুমুকচম লমঙানবা অমসুং সলাম জয়রাজনা থেংনরগনি।

# করাতে শান্নরোই জেনিসন তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ৯দা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সিলিগুরিদা মোর্দন শোতোকান করাতে দো এসোসিয়েসন ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা তনমোই করতে একাদমি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া করাতে চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মণিপুর ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল লৌরখ্রবা মোইরাংথেম জেনিসন ঙসি থৌবাল ময়াই লৈকাইগী ক্লব অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

মোইরাংথেম জেনিসননা সব-জুনিয়রগী কেটাগোরিদা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল লৌরকপা ঙমখিবনি। মহাক থৌবাল ময়াই লৈকাইদগী মোইরাংথেম দোরেন্দ্রো অমসুং মোইরাংথেম সঞ্জুতাগী অমত্তা পোকচপা মচানুপানি। মহাক হৌজিক ক্লাস আইটকী মহৈরোইনি।

মোইরাংথেম জেনিসননা ঙসি ইম্ফালগী ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা য়ৌরকপদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মহাকপু লৈ পরেংনচিংবা হুত্তুনা তরাম্না ওক্লবা মতুং মহাক্কী লৈকাইগী ক্লব অমা ওইরিবা সুপর সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব থৌবাল ময়াই লৈকাইনা শীন্দুনা গোল্ড মেদল লৌরকপদা মহাকপু ইকায় খুম্নবা উৎতুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

## জেন্নিক সিন্নর সিনসিনাটি ওপনদগী ৱিদ্রো তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি)ঃ

নুপাগী টেনিসকী সিঙ্গলসতা মালেমগী মকোক থোংবা মফম কল্লিবা ইটালিগী জেন্নিক সিন্নরনা মহাক্কী য়েৎ থংবা খূউদা অশোকপা নংখিবদগী সিনসিনাটি ওপনদগী ৱিদ্রো তৌখ্রে।

সিনসিনাটি টুর্নামেন্ট অসি শগোলশেল নুমিৎতগী হৌগনি। গ্রান্দ স্লামগী চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা জেন্নিক সিন্নরনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা এ টি পি মাষ্টর্স ১০০০ থংনা-থংননা মেটচ তরুক মায় পাক্তুনা লাকখ্রে। মশাগী চহী ২৪ শুরবা সিন্নরগী মথক্তা মালেমগী অহুমশুবদা লৈরিবা স্পেনগী কার্লোস অল্কারাজসু অশোকপা নংখিবনা সিন্সিনাটি অসিদগী হান্ননা ৱিদ্রো তৌখ্রবনি।

# ১৩৫শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপ: নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদনা এফ সি-১ মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি)ঃ

এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপ ২০২৬কী ঙসি গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী এঠলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা এফ সি-১বু মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ-এফকী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা মফম কন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।



গ্রুপ-এফকী পোইন্ট টেবলদা নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদনা মেটচ ৩ শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৯ ফংদুনা গ্রুপকী মকোক থোংবা মফম কন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

বোদোলেন্দ এফ সিনা মেটচ অনী শান্নবদা মেটচ অমা মায় পাক্লগা অমনা মায়থিরগা পোইন্ট ৩ ফংদুনা অনীশুবা মফম, এফ সি-১না মেটচ ৩ শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা অনীনা মায়থিরগা পোইন্ট ৩ ফংলগা অহুমশুবা মফম অমসুং কার্বি অলোংনা মেটচ অনী শান্নবদা অনীমক মায়থিরগা পোইন্ট একাউন্ট হাংবা ঙমদনা মরিশুবা মফমদা লৈরি।

থংন থংননা দুরান্দ কপকী অনীরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদনা এফ সি-১বু ঙসি গোল ৩-১দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুদা নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পার্থিব গোগোইনা মেটচকী ১১শুবা অমসুং ৫৪শুবা মিনিটতা গোল অনী অমসুং ৬৮শুবা মিনিটতা অলাদিন অজারেনা গোল অমা চনবা ঙমখি। মায়থিহৌরবা এফ সি-১গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মোহমদ ইলিয়াসনা মেটচকী ৭১শুবা মিনিটতা চনখি।

মেটচ অসিদা নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদকী হেদ কোচ পেদ্রো বেনালিনা মহাক্কী ষ্টার্টিং লাইন অপ্তা মমাঙগী মেটচতগী শান্নরোই ১০ নৌনা পুশিল্লক্তুনা শান্নহনখি। মমাঙগী মেটচতগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা স্পেনগী মিদফিল্ডর এন্তোনিয়ো মোয়ানো খক্তমক ষ্টার্টিং লাইন অপ্তা য়াওখি।

মেটচকী হৌরকপা শরুক্তা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নবগা লোয়নননা অহানবা ৭শুবা মিনিটকী মনুংদা এফ সি-১গী কোনর কিক অমা নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদকী দিফেন্দর রোবিন যাদবনা ক্লিয়র তৌনবা হোৎনবদা মখোয়গী বোক্স মনুংদা হেন্দবোল তাবদগী রেফরিনা এফ সি-১গী ফেভরদা পেনাল্টি পীখি। পেনাল্টি অদু মৌসা অহামদনা কাওরবসু নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদকী দেব্যু মেটচ ওইনা শান্নরিবা গোলকিপর মোহন রাজনা মহাক্কী ওইথংবা মায়কৈদা নীংথিরবা দাইব তৌদুনা সেভ তৌখিবদগী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা এফ সি-১না গোল মাঙজিল থারমগদবদগী কনবা ঙমখি।

মিনিট ২গী মতুং নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদনা দিফেন্সতা লৈরম্বদগী এটেক চথরক্তুনা জিথিননা এফ সি-১গী দিফেন্দর অনী তুংওইনরম্লগা পেনাল্টি এরিয়াদা নেম্না ক্রোস তৌরকপা বোল পার্থিব গোগোইনা মতম চানা ফংদুনা এফ সি-১গী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

অহানবা হাল্ফকী ২৫শুবা মিনিট ফাওবদা এফ সি ৱাননা অয়াম্বা মতমদা পোসেসন হেন্না তৌদুনা শান্নরবসু দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী কাউন্টর এটেক্কী খূথাংদা গোল ওন্থোক্লবগী খুদোংচাবা হেন্না ফংখি। অহানবা মিনিট ২৫ অসিগী মনুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সাইদ অসিনা কোনর কিক মরি ফংলবসু গোল ওন্থোকপগী মগুন ৱাৎপদগী গোলকিপর মোহনরাজবু নীংথিনা টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংখিদে।

অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদনা গোল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা অনৌবা লাঙলোন কয়াগা লোয়নননা অহানবা হাফতগী হেন্না মখা তানা এফ সি-১গী মথক্তা প্রেসর কয়া পীদুনা শান্নরকখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকখ্রবা মতুং মিনিট ৯ লৈরগা মেটচকী ৫৪শুবা মিনিটতা এন্তোনিয়ো মোয়ানোনা পেনাল্টি এরিয়া তম্না কাওরকপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা বোল ইনেকোগী হেদিংদগী থক্তোরকপা বোল পার্থিব গোগোইনা মতম চানা চেনশিন্দুনা গোলকিপরবু মায়থিবা পীরম্লগা মহাক্কী অমসুং টিমগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তানা নোর্ঠ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা প্রেসর পীরকপগী মহৈ ওইনা সবষ্টিট্যুট লালরিনজ্বলানা গোল চনবগী খুদোংচাবা ফংলম্লবসু পোষ্টকী ৱাংমদা কাওথোকখিদুনা অরেম্বা তাখি। লালরিনজ্বলানা মখা তানা লেপ্পা লৈতনা এফ সি ৱানগী গোলকিপর অবতা অসরফবু পোত্থাবা শঙহনখিদে।

মেটচকী ৬৮শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখ্রবা পার্থিব গোগোইনা অলাদিন অজারে তম্না পীরকপা থ্রু পাস অমদগী ফোরৱার্দ অসিনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্কী তরুকশুবা গোল ওইখি।

মিনিট ৭১ শুবদা এফ সি-১গী মোহমদ ইলিয়াসনা গোল অমা হন্দাকপা ঙম্লবসু লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা অতোপ্পা গোলশিং হন্দোকপা ঙমদবদগী নোর্ঠইষ্ট য়ুনাইটেদকী মখুৎতা ১-৩দা মায়থিবা নঙখি।

# অনৌবা ফোর্মেটকী মতুংইন্না এফ আই ঐচ হোক্কী ৱার্ল্ড কপ ২০২৬তা ক্বার্টর ফাইনেল লৌথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি)ঃ

থা অসিগী ১৫দগী ৩০ ফাওবা বেলজিয়ম অমসুং নেদরলেন্দসনা য়ুম্বু ওইদুনা চথগদৌরিবা এফ আই ঐচ হোক্কী মেন'স এন্দ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ ২০২৬তা অনৌবা ফোর্মেটকী মতুংইন্না ক্বার্টর ফাইনেল ষ্টেজ লৌথোকখ্রে।

হন্দক বেলজিয়ম অমসুং নেদরলেন্দসনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মেন'স এন্দ ৱুমেন'স হোক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহানবা ফেজতা টিম ১৬না পুল-৪ থোক্লা খায়দোক্কনি। মমাঙগী ইদিসনশিংদগী তোখায়বা মওংদা হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল লৌথোক্লগা অনীশুবা ফেজতগী মকোক মথং তাবা টিম মরি অদু সেমি ফাইনেলগীদমক দাইরেক্ট ক্বালিফাই ওইগনি।

থা অসিগী ১৫দগী পুল ষ্টেজকী মেটচশিং হৌদুনা টিম ১৬না শরুক য়াগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি পুল-৪ (এ, বি, সি, দি) হায়না খায়দোক্তুনা অমনা অমবু মেটচ অহুম অহুম মায়োক্নদুনা শান্নগনি। থা অসিগী ২০ ফাওবা চথগদৌরিবা পুল ষ্টেজকী মেটচশিং অসিদগী পুল অমমমদগী অহানবদগী মরিশুবা পোজিসন ফাওবা লেপ্লগা থা অসিগী ২১দগী ২৪ ফাওবা অনীশুবা ষ্টেজ শান্নবা হৌগনি।

অনীশুবা ফেজ অসিদা পুল-ই, এফ, জি অমসুং ঐচ হায়না খায়দোক্তুনা অহানবা ফেজতা য়ূম্ফম ওইরগা টিমশিংগী পোজিসনগী মতুংইন্না গ্রুপশিং অসিদা লৈদুনা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা টিম মরি খনগনি।

পুল-ইদা অহানবা ফেজকী পুল-এদগী মকোক থোংবা অমসুং পুল-দিদগী অনীশুবা মফম কনবা ঙমখিবা টিম অনী অদু পূন্না তামিন্নরগা পুল-এফতা পুল-বিগী মকোক থোংবা অমসুং পুল-সিগী অনীশুবা মফম কনবা, পুল-জিদা পুল-এগী অহুমশুবা মফম অমসুং পুল-দিগী মরিশুবা মফম অমদি পুল-ঐচদা পুল-বিগী অহুমশুবা অমসুং পুল-সিগী মরিশুবা মফম কনবা ঙম্বা টিমশিং অদু মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

পুল-ই, এফ, জি অমসুং ঐচকী পোইন্ট টেব্লি অদুগী মতুংইন্না ৫দগী ১৬ শুবা পোজিসন ফাওবগী ক্লাসিফিকেসন মেটচ শান্নরগা পুল-ই অমসুং এফকী মকোক মথং তাবা টিম অদুনা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

অহানবা সেমি ফাইনেলদা পুল-ইগী মকোক থোংবা অমসুং পুল-এফকী অনীশুবা মফম কনবা ঙম্বা টিম অদুনা থেংনরগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা পুল-এফকী অহানবা অমসুং পুল-ইগী অনীশুবা মফম কনবা টিম অদুনা শান্নগনি হায়রি।

নেদরলেন্দস অমসুং বেলজিয়মনা য়ুম্বু ওইদুনা চথগদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগী নুপীগী ফাইনেল অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল মেটচ থা অসিগী ২৯দা নেদরলেন্দসকা শান্নরগা নুপাগী ফাইনেল অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল মেটচনাথা অসিগী ৩০দা বেলজিয়মদা শান্নরগনি হায়রি।

# কম্মনৱেল্থ ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী নীনিচনবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা গোল্ড অমা য়াওনা পূন্না মেদল ৭ লৌখ্রে



লাগোস, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি)ঃ

নাইজেরিয়াগী লাগোসতা চথরিবা কম্মনৱেল্থ ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী নীনিচনবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১ য়াওনা পূন্না মেদল ৭ লৌবা ঙমদুনা মখা তানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী ফেন্সরশিংনা দোমিনেট তৌদুনা চৎপা ঙল্লি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৪, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ য়াওনা পূন্না মেদল ১৭ লৌবা ঙমদুনা মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌদোকখ্রবা মতুং ঙসি নীনিচনবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী সেবর অমসুং ইপি অমদি নুপাগী ফোইল সেনিয়র ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ য়াওনা পূন্না মেদল ৭ লৌদুনা মেদল টেল্লিদা শীংথানিংঙাই ওইনা মেদল কয়া হাপচিনবা ঙম্বতা নত্তনা সেনিয়র সর্ক্যুইটতা ইন্দিয়াগী তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎলি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী সেনিয়রগী ইপি ইভেন্টদা টানিস্কা খত্রিনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়নননা মহাক্কী টিমমেট খুসিনা সিলভর মেদল, প্রাজি লোহান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী হেরিসননা পূন্না ব্রোঞ্জ লৌমিন্নদুনা ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা পূন্না মেদল ৩ লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সেনিয়র সেবর ইন্দিভিজুয়েলদা ইন্দিয়ানা শীংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মেদল ৩ লৌখি। ইভেন্ট অসিদা ইংলেন্দগী ব্রিয়রলিনা গোল্ড, ইন্দিয়াগী অখারিনা সিলভর, জেফরলিন অমসুং স্রুতি জোসিনা ব্রোঞ্জ মেদল অনীমক লৌখি।

নুপাগী সেনিয়র ফোইল ইভেন্টদা ইন্দিয়াগী তেজাস পতিল অমসুং ইংলেন্দগী দেভিদ ৱিলিয়মনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবগা লোয়নননা সাইপ্রসকী এলেক্সনা গোল্ড অমসুং ইংলেন্দগী ওলিভরনা সিলভর মেদল লৌখি।

চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নীনিচনবা নুমিৎ লোয়বা ফাওবদা মেদল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী টিম কোচ ভারতজি থাকোর, শ্রীহরি পিসে, সঙ্কর নরায়ন, ফিজিওথেরাপিষ্ট অম্রুতা অমসুং মেনেজর মনু টিয়াগীনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী কোচিং অমসুং সপ্পোর্ট ষ্টাফশিংনা মনিংদা চাউনা লেপ্লি।

ফেন্সিং এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী জেনরেল রজিব মেহতানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেদল লৌবা ঙমখ্রবা এঠলেট, কোচ, সপ্পোর্ট ষ্টাফ অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা হনবা লৈতনা কথোকপগা লোয়নননা শীংথানিংঙাই ওইবা রিজল্ট পীখিবা অসিদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসনগী মায়কৈদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মখা তাবা শরুকশিংদসু মেদল কয়া লৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরক্লি।

# জুলাই থাগী আই সি সি ৱুমেন'স অমসুং মেন'স প্লেয়র ওফ দি মন্থকী নোমিনি লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি)ঃ

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা জুলাই থাগী নুপী ক্রিকেটর ৩ অমসুং নুপা ক্রিকেটর ৩ আই সি সি ৱুমেন'স অমসুং মেন'স প্লেয়র ওফ দি মন্থকী নোমিনি ওইনা লাউথোকখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ৱুমেন'স প্লেয়র ওফ দি মন্থকী নোমিনি ওইনা লাউথোকখ্রবশিং অদুদি ৱেষ্ট ইন্দিজকী ওলরাউন্দর হেলি মেথিয়ু, শ্রীলঙ্কাগী বেটর হর্সিতা অমসুং ইংলেন্দগী ওলরাউন্দর স্কাইভর ব্রন্তনি।

ৱেষ্ট ইন্দিজকী ওলরাউন্দর হেলি মেথিয়ুনা মমাঙ থাদা আইর্লেন্দগা শান্নখিবা ও দি আই মেটচ ৩দা মায় পাকপগী শীংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মেটচ অহুমগী মনুংদা অহানবা মেটচতা আউট ওইদনা রন ১৫৯ য়াওনা সেঞ্চুরি ২ য়ৈবা ঙমখি। অহানবা ও দি আই অদুদা মহাক্না আউট ওইদনা রন ১৫৯ লৌবতা নত্তনা রন ৫২ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা বেট অমসুং বোলদা মখোয়গী টিমবু মায় পাকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

অনীশুবা ও দি আইদসু মহাক্না রন ১০০ লৌবতা নত্তনা রন ৩৪ পীরগা ৱিকেট ২ লৌবগা লোয়নননা মেটচ অহুম অসিদা এভরেজ ১৩২.৫০ অমদি ষ্ট্রাইক রেট ১১৭.২৫গী চাংদা পূন্না রন ২৬৫ লৌবতা নত্তনা ১৭.৫৭গী এভরেজতা পূন্না ৱিকেট ৭ লৌবা ঙমখি।



শ্রীলঙ্কাগী হর্সিতানা পাকিস্তানগী মথক্তা ও দি আই সেরিজ ২-১দা মায়থিবা পীবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়নননা এভরেজ ১৭৩ অমসুং ষ্ট্রাইক রেট ৭৭.২৩গী চাংদা পূন্না রন ১৭৩ লৌখি।

অহানবা গেমদা মহাক্না রন ২ খক্তা লৌবা ঙম্লবসু থংনবা মেটচতা লেফট হেন্দর অসিনা অকনবা মওংদা খূৎ হল্লক্তুনা বোল ১১৯দা রন ১০০ লৌদুনা সেঞ্চুরি য়ৈখি। অহুমশুবা অমসুং সেরিজ অসিগী দিসাইদিং মেটচতা শ্রীলঙ্কানা টার্গেট রন ১৮৭ লৌদুনা সেরিজ অদু মায় পাকপদা মহাক্না আউট ওইদনা রন ৭১ লৌদুনা অমদি সেরজ অসিদা চাং নায়না শীংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীবগীদমক প্লেয়র ওফ দি সেরিজকী এৱার্দ লৌখি।

ইংলেন্দগী ওলরাউন্দর স্কাইভর ব্রন্তনা আই সি সি ৱুমেন'স টি ২০ ৱার্ল্ড কপ ২০২৬তা ইংলেন্দবু ফাইনেল তম্না পুশিল্লকপদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। সাউঠ অফ্রিকাগা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দনা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ২৩ খক্তা লৌদুনা ফিভম শোক্লা লৈরিঙৈ মতমদা স্কাইভর ব্রন্ত থোক্লক্তুনা মরুওইবা ইন্নিংস শান্নদুনা সাউঠ অফ্রিকাবু মায়থিবা পীবদা রন ৭৫ লৌরমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা ফাইনেলদা মায়থিহৌরবসু স্কাইভর ব্রন্তনা বোল ৫৩ মায়োক্লবদা রন ৫৮ লৌরমখি। মহাক্লা টুর্নামেন্ট অসিদা ষ্ট্রাইক রেট ১৩৩গী চাংদা পূন্না রন ১৩৩ লৌখি।

আই সি সি মেন'স প্লেয়র ওফ দি মন্থকী নোমিনিশিং অদুদি ৱেষ্ট ইন্দিজকী ওলরাউন্দর জষ্টিন গ্রিভস, ইংলেন্দগী হেরি ব্রুক অমসুং বংলাদেশকী তানজিদ হাসননি।

ৱেষ্ট ইন্দিজকী জষ্টিন গ্রিভসনা শ্রীলঙ্কাগা শান্নখিবা অহানবা টেষ্টতা শীংথানিংঙাই ওইবা রন ১৮০ লৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজকী স্কোর বোর্দতা শীংথানিংঙাই ওইবা রন হাপচিনবা ঙমখি। ইংলেন্দগী হেরি ব্রুকনা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা ও দি আই ৩দা রন ৩১ খক্তং লৌখ্রবসু ২০ সেরিজকী অপূনবা মেটচ ৫দা পূন্না রন ২২৯ লৌদুনা জুলাই থাগী মেন'স প্লেয়রগী নোমিনিদা য়াওবা ঙমখি।

# ৱার্ল্ড এঠলেটিক সিলভর টুর ভুবনেশ্বরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি)ঃ

হৌখিবা চহীদা ভুবনেশ্বরদা মায় পাক্লা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স ব্রোঞ্জ লেবেল কন্টিনেন্টেল টুর পাঙথোকখ্রবা মতুংদা চৎলিবা থা অসিগী ২২দগী ভুবেনেশ্বরনা য়ূম্বু ওইদুনা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স সিলভর লেবেল কন্টিনেন্টেল টুর পাঙথোক্লগনি।

চহী অসিদা জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা আইচি নগোয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকি মাঙওইননা টুর অসিদা ইন্দিয়াগী মশক নাইবা এঠলেট কয়াগা লোয়নননা চাওরাক্লা এঠলেট ১৫০ না অথোই অহেন তান্নগনি।

টুর্ণামেন্ট অসিগা মরী লৈন্না ইন্দিয়াগী ইলাইট এঠলেটশিং ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ৮ ফাওবা কেম্প তৌগদৌরি। কেম্প অসিদা এঠলেট ৬০ গা লোয়নননা কোচ অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফশিংসু শরুক য়াদুনা এসিয়ন গেমসকীদমক অকনবা শেম শাগদৌরি। মিট অসিগী মাঙওইননা রিলাইন্স ফাউন্দেসনদা এঠলেটিক্স ডাইরেক্টর ওইনা থৌ পুরিবা জেমস হিল্লিয়রনা হায়, অসিগুম্বা হাই লেবেল কম্পীটিসন ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা অসি ঐখোয়গী এঠলেটশিংদা কান্নবা পীগনি।

মিট অসিগী মতেংনা ইন্টরনেসনেল লেবেলদা লৈরিবা এঠলেটশিংগী মায়োক্তা হোম সোইলদা এক্সপোজর পীবগা লোয়নননা এসিয়ান গেমসকি মাঙওইননা খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স উৎফম ওইরগনি হায়খি।

মিট অসি য়ুম্বু ওইবা অসি ওড়িষাদা লৈরিবা মীয়াম, এঠলেট অমদি শান্নববু পামজবশিংগী চাওথোকচনিংঙাইনি অমসুং মিট অসিগী মতেংনা এঠলেটশিংনা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা কান্নবা ফংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

# ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং এসিয়ন গেমসকী মীৎয়েং থম্লগা মপান লৈবাক্তা ত্রেনিং হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সি)ঃ

হন্দক স্কোটলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা কম্মনৱেল্থ গেমসতগী রেষ্টলিং মশান্না লৌথোকখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ন গেমসতা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা মপান লৈবাক্তা ট্রেনিং তৌবা হৌখ্রে।

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৯দগী ক্টোবর ৪ ফাবা জপানগী আইচি-নাগোয়াদা পাঙথোক্কদবা ২০ শুবা এসিয়ন গেমসকী মাঙইননা ইন্দিয়াগী নুপা ফ্রিষ্টাইল টিমনা অগষ্ট ৭তগী সেপ্টেম্বর ৩ ফাবা মপান লৈবাক্কী চীফ কোচ ইমজারিওস শাকো বেন্টিনিদিসকী লুচিং মখাদা ট্রেনিং তৌনবা অর্মেনিয়াদা হান্ননা চৎখ্রে। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী নুপা ফ্রিষ্টাইল টিমনা রসিয়াদা অমুক চৎতুনা সেপ্টেম্বর ৪দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মফম অদুগী লোকেল কম্পিটিসন অমদা শরুক য়ারবা মতুং ইন্দিয়াদা অমুক হল্লক্কনি।

নাকল অমরোমদনা, ইন্দিয়াগী গ্রেকো রোমান টিমসু অগষ্ট ৯দগী ২৯ ফাওবা উজবেকিস্টানদা চৎলগনি। গ্রেকো রোমান টিমগী মপান লৈবাক্কী হেদ কোচ ওইরিবা রসিয়াগী গোগি কোগুশভিলিনা কেম্প অদুদা ইন্দিয়াগী স্কৱাদকা লোয়নগনি হায়না রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী (ডব্লিয়ুএফআই) পাউ অমনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফ্রিষ্টাইল টিমদি হৌজিক্কী ওইনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি ষ্টেদিয়মদা ট্রেনিং তৌখিগনি। মখোয়না এসিয়ন গেমস হৌগদবা নুমিৎ তরানিগী মাঙওইননা মফম অদুগী অইং-অশাগা চুশিন্ননবা জপানগী খোঙশানগনি। জপানগী কোসৈ অকাইশিনা ইন্দিয়াগী নুপী ফ্রিষ্টাইল টিমগী শেম শারিবশিং চেকশিন্না য়েংশিল্লিবনি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com